## কমদৌনা ওইরক্লখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... – মালালা য়ুসফজাই –



পাকিস্তানদা মহৈ-মশিন তম্নবা নুপীগী রাইটশিংগীদমক্তা থৌনা লৈনা থেংনখিবগীদমক্তা মমিং লৈরবী হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট মালালা য়ুসফজাই কুমজা ১৯৯৭কী জুলাই ১২দা পাকিস্তানগী স্বাট ভেলি রিজনদা পোকখি। মহাক মিঙ্গোরা সিটিদা মহাক্কী মৌপ্পা অনীগা লোয়ননা চাউরকখি। পাষ্টুনস হায়না খঙনবা ইথনিক গ্রুপ অমদা চনবা মহাক্কী ইমুং ইস্লাম লাইনিং চৎলম্মী।

মালালানা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদসু মরা তপ্না নুংঙাইনা লৈখি। নোংমদি ওজা, ডোক্তর নৎত্রগা পোলিটিসন অমা ওইরক্কনি হায়বগী মঙলান অমা মহাক্না মঙজখি। মহাক্কী অপোকপা ওজা অমা ওইনা স্কুল কয়া চলাইরম্মী। পাকিস্তানি নুপীমচা কয়া স্কুলদা মহৈ তম্বা চৎনখিদে। অদুবু মালালাদি স্কুল কাদুনা মহৈ তমখি। মহাক্কী অপোকপনা চলাইবা নুপীমচাশিংগী ওইবা স্কুল অমদা মালালাসু তমখি।

মালালানা মহৈ তমদুনা খঙজিন হৈজিনবা অমসুং স্কুল কাবসি য়াম্না পামজখি। মহাক মহৈ তম্বদা থৱায় য়াম্না য়াওবা অফবা নুপীমচা অমা ওইখি। মহাক্না পাশতো, ইংলিস অমসুং উর্দু লোল অহুম তমখি। মহাক্কী অপোকপনা মহাকপু মতম চুপ্পদা অহেনবা কয়া খঙজিন হৈজিন্নবা পূক্নিং থৌগৎখি অমসুং মহাক্না ঙৱ্লোইদবা অমত্তা লৈরোই হায়না তাকপী তম্বীখি।

মালালানা চহী ১০ মুক শুরকপা মতমদা টালিবান্না মহাক্না লৈরিবা লমদম অদু কন্ট্রোল তৌশিনখি। টালিবান হায়রিবা কাঙবু অসি কা হেনবা ৱাখল্লোন চেনবা মুস্লিমশিংনি। মখোয়না তৌরিবা দিমান্দদি মীপুং খূদিংমক্না ইস্লামিক সরিয়া লো ইনগদবনি হায়বসিনি। মখোয়না হায়খি মদুদি, নুপীশিংদি য়ুমদা লৈগদবনি, য়ুমদগী হেন্দোক্লোইদবনি। করিগুম্বা নুপী অমনা ময়ুমদগী থোকপা তারবদি মহাক মকোক, মমাই অমদি মশা কুপশিনবা বুর্কা হায়রিবা ফিজোল অসি শীজিন্নগদবনি অমদি মরী-মতা নুপা অমা লোয়নগদবনি। টালিবান্না লমদম অদুবু হেন্না কন্ট্রোল তৌশিল্লকখিবগা লোয়ননা অনৌবা লো কয়াসু নমদুনা চৎনহনখি। নুপীশিংবু ভোট থাদবা অমদি থবক তৌবা থিংখি। সিনেমা, টেলিভিজন, ঈশৈ-নোংমাই থিংজিনখি। মমৈথংদা টালিবান্না নুপীমচাশিংগী স্কুলশিং থিংজিনখি। থিংজিল্লু য়াদবা স্কুলশিং মৈ থাখি। টালিবানগী লৈঙাক মখাদা মহাক্কী পুন্সি করম্না তৌবগে হায়বগী মতাংদা মালালানা বি বি সীদমক্তা ব্লোগ অমা ইখি। মহাক য়াম্না থুনা মমিং চৎখি অমসুং টালিবানগী থৌওংশিংগী মরমদা মীমাংদা থোক্তুনা ৱা ঙাংবা হৌখি। মালালাগী মতৌদু টালিবান্না য়ানিংদবা হেল্লকখি। মহাকপু মীয়াম মমাঙদা ৱা ঙাংবা লেপ্পবা খঙহনখি অমসুং হাৎকনি হায়না কিহনখি। গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা টালিবানবু মায়থীবা পীদুনা থিংলুরবা স্কুলশিং নৌনা হাংখি। নোংমা মালালানা স্কুলদগী ময়ুমদা বস তেংদুনা হল্লকপদা লমখাংদা মহাকপু শকখঙদবা নুপা অমনা নোংমৈনা কাপখি। ফীভম থীনা শোক্লবসু লাইবক ফবদগী নৎত্রগা শেন্বীবা মপুগী থৌজালদগী কন্না লায়কন্নরবা মতুংদা মহাক হিংকি। মহাক কুমজা ২০১৪দা কাইলাস সত্যার্থিগা লোয়নান নোবেল পিছ প্রাইজ ফংমিন্নখি।

## মালেমগী অঙকপাশিং

## ভেটিকান সিটিগী সিষ্টাইন চেপেল

ভেটিকন সিটিদা কেথোলিক খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎপশিংগী মকোক ওইরিবা পোপকী ওফিশল রেসিদেন্স-এপোষ্টোলিক পেলেসতা লৈবা চেপেল অমনি 'সিষ্টাইন চেপেল'। অহানবদা কেপেলদা মেগনা হায়না খঙনরম্বা চেপেল অসিবু কুমজা ১৪৭৭ তগীনা কুমজা ১৪৮০ ফাওবগী মনুংদা নৌনা শেমজিন-শাজিনখিবা 'পোপ সিক্সটস ফেরে' গী মমিং লৌরগা সিষ্টাইন চেপেল হায়না খঙনখিবনি। মতমদুদগী হৌনা লাইনীং-লাইশোল অমদি পোপকী অতৈ থবক থৌরমশিংদা শীজিন্নদুনা লাকখিবা মফম অসি হৌজিক্তি পেপাল কনক্লেভ ওইরে। অনৌবা পোপ খনবগী থবক থৌরম পুম্নমক মফমসিদা তৌই।

বিল্ডিং মনুংগী লৈতেং, মরু ওইনা সিলিংদা য়েক্লিবা লাই অমদি মাইকেল এঞ্জেলোনা য়েকপা 'দ লাষ্ট জজমেন্ট' কী অয়েকপা খক্তনা চেপেল অসিবু মালেমদা মমিং চৎহনবনি। সিক্সটস মরিসুবগী মতমদা সেন্দ্রো বোটিসেলি, পিট্রো পেরুজিনো, পিন্টুরিচিও, দোমিনিকো ঘরলাইন্দাইও অমদি কেটিসমো রোসেলিনচিংবগী পুন্সি ৱারীদা য়ুন্ফম ওইবা লাই কয়া য়েক্লম্মী। কুমজা ১৪৮৩ গী ওগষ্ট ১৫দা সিক্সটস মরিসুবনা অচৌবা চাক্লেন য়াওবা থৌরম অমগা লোয়ননা অহানবা মাস পাঙথোকখিবগা লোয়ননা সিষ্টাইন চেপেলবু ভজিন মেরিগী মিংদা কৎথোকখি।

কুমজা ১৫০৮ দগী কুমজা ১৫১২ ফাওবগী মনুংদা মাইকেলএঞ্জেলোনা চেপেলগী সিলিংদা থোইদোক

হেন্দোক্লা নীংথিজরবা লাই কয়া য়েক্লম্মী। তুংদা মহাক্না কুমজা ১৫৩৫ দগী কুমজা ১৫৪১ ফাওবগী মনুংদা পোপ ক্লিমেন্ট সেবন অমসুং পোপ পোল থ্রীগী 'দ লাষ্ট জজমেন্ট' য়েকপদগী মদুবু য়েংনবগীদমক মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মীওই কয়া লাকপা হৌখি।

সিষ্টাইন চেপেলদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী মরু ওইবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা কাদিনেলশিংনা অনৌবা পোপ খনবগী মীখল পাঙথোকপসু অমনি। হীরমসিগা মরী লৈননা চেপেলগী য়ুমথক্তা চিমনি অমা খিল্লি অমসুং মদুদগী থোরকপা মৈখুনা খুদম চাংদম ওইনা লৌনৈ। পোপ খনবগী মীখলদা শীজিন্নবা বেলোট পেপর মৈ থাবদগী কারকপা মৈখুনা চিমনিদা অঙৌবা মচু ওইনা থোরক্লবদি অনৌবা পোপ খল্লে হায়না লৌনৈ। করিগুম্বা অমুবা মৈখু ওইনা থোরক্লবদি অনৌবা পোপ খন্দ্রে হায়না লৌগনি।

রেক্টেঙ্গল মওং মানবা চেপেল অসিগী অপাকপা, অৱাংবা অমসুং অশাংবা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। মনুং থংবা শরুক্কী ওইনদি মিটর ৪০.৯ (ফুট ১৩৪) শাংলগা মিটর ১৩.৪ (ফুট ৪৪) পাকই হায়না ওল্ড টেষ্টামেন্টতা য়াওরি। মথোল অহুম ৱাংবা চেপেল অসি কুমজা ১৯৮৪ গী নবেম্বর ৭ তগী ইনৌ নৌনা অমুক শেমজিন-শাজিনখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৯৪ গী এপ্রিল ৮ দগী মীয়াম চঙবা য়াহনখি।

সিষ্টাইন চেপেলগী মরমদা পুক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা ৱাফম খরাঃ

- রোমগী ভেটিকন সিটিদা লৈবা সিষ্টাইন চেপেল অসি পোপ সিক্সটস ফোরগী মমিং লৌরগা মিংথোল পীখিবনি।
- নুমীৎ খুদিংগী মীওই ২৫,০০০ , চহী খুদিংগীনা মীওই লাখ ৫০ রোম চেপেল অসি য়েংবা লাকই।
- ভেটিকন ম্যুজিয়ম অমদি সিষ্টাইন চেপেল চঙনবগী টিকেট মমল য়ুরো ১৬ নি। মসিদগী ভেটিকন না চহী অমদা পাওন্দ মিলিয়ন ৮০ রোম তানবা ঙম্মী।
- ওল্ড টেষ্টামেন্টকী মতুং ইন্না জেরুসেলমগী টেম্পল মাওন্টতা লৈবা টেম্পল ওফ সোলোমোনগা সিষ্টাইন চেপেলগা মওং মতৌ চপ মান্নে।
- অসুক্কী মতীক মরু ওইখ্রবা সিষ্টাইন চেপেল অসি মপান্দগী য়েংবদা ইচম চম্বা বিল্ডিং মাল্লি।
- কুমজা ১৫০৮ দগী হৌরগা কুমজা ১৫১২ ফাওবা মাইকেলএঞ্জেলোনা চেপেলগী সিলিংদা নীংথিরবা লাই কয়া য়েক্লম্মী।

## ব্যুটি : অদোমগী মীৎসনাবু ব্লু কলর ওইহন্দুনা অদোম্না শরুক য়াগদৌরিবা পার্টিদা পূম্নমক্তগী হেন্না ফজহনবা য়াই



করিগুম্বা অদোমগী মীৎসনাবু তোঙানবা য়ুনিক ওইবা লুক ওইবা পাম্লবদি ব্লু কলর খন্দুনা অদোমগী আই মেকঅপকী শরুক অমা ওইহন্দুনা য়াম্না পুক্নিং ফজবা মীৎ ওইহনবা য়াই। থোৎ নৌবী নুপী অমগী ফজবা হায়বসি শুপ্নগী মায়থোং খক ফজবা খক্না ফজৈ হায়বা য়ারোই। মায়থোং ফজনবা হোৎনবদা মীৎকী অচৌবা রোল অমসু লৈতবা নত্তে। মীৎতা কাজল য়েকপগী ফজবা ঈশৈ ফাওবদা শৈথানরিবনি। অদুবু হোংলক্লিবা মতমগী মতুংইন্না ঙসিদি তোঙান-তোঙানবা মেকঅপকী ফজরবা মওং কয়া থোক্লক্তবসু নত্তে। অদোমগী আই মেকঅপপু অমুক্কা হেন্না ফজনবগীদমক ব্লু আই মেকঅপ হৌজিক্কী হৌগৎলক্লিবা নুপীশিংনা পাম্মনা কেনরক্লি। কেনা ফজবা নুপীশিংগী মরক্তগী তোঙান্না য়াম্না ফজবা মীয়াম্না পুক্নিং হুনা ফজহনগে অদোম্না খনবা লৈরগদি অদোমনা কেবা মতমদা আই মেকঅপতা তোপ-তোপ্পা আইমেকঅপ কলর্স খন্দুনা অদোমগী ফজরবা মীৎসনাবু অমুক্কা হেন্না ফজহনবা য়াই।

অদোম্না অদোমগী মীৎসনাবু ফজনবা হোৎনবদা মখল-মখা কয়াগী কলর্স শীজিন্নরম্বা য়াই। অদুবু তোঙানবা য়ুনিক ওইবা মীৎসনা ওইহনগে হায়রবদি অমুক্তং ওইরবসু অদোম্না মীৎসনা কেবা মতমদা ব্লু আই মেকঅপ তৌদুনা অমুক্তং শোয়দনা য়েংবিয়ু। করিগুম্বা অদোম্না ব্লু কলরবু শুপ্নগী আই শেদোগী ওইনা শীজিন্নবা য়াই হায়না খল্লগদি অদোম লানগনি। ব্লু কলর আই শেদো খক নত্তনা তোঙানবা আই মেকঅপশিংগী শরুক অমা ওইহন্দুনা ফজবা ফেসন অমা ওইহনবা য়াই। তৌবতবু শুপ্নগী অদোম ক্রিয়েটিব ওইবা মওংদা মেকঅপ তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মতৌ করম্না আই মেকঅপতা ব্লু কলরবু শীজিন্নগনি হায়বগী মতাংদা খঙমিন্নসি।

ব্লেক ৱিদ ব্লু লাইনর : হৌজিক্কী মতম অসিদা কলরফুল লাইনর য়াম্না কন্না চৎনরি অমদি নুপীশিংনসু পাম্নবা হায়বদু ওইরি। ইচম চম্বা নুপীমচাশিংদগী হৌরগা সেলেব্রেটিজ ফাওবদা য়াম্না পাম্মনা কলরফুল লাইনর শীজিন্নরী। অদোমসু ব্লু কলরগী আই লাইনরগী মওংদা শীজিন্নবা য়াই। হায়রিবা লুক অসি পার্টিগী ওইনদি য়াম্না পর্ফেক্ট শোয়দনা ওইগনি।


স্পার্কলিঙ্গ লুক : অদোম করিগুম্বা পার্টি অমদা শরুক য়ানবা চৎপা তারবদি ব্লু কলর শীজিন্নদুনা য়াম্না ফজবা এট্রেক্টিব ওইবা আই মেকঅপ তৌবা য়াই। মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিনফম ওইহনগে হায়রবদি অদোমগী আইলিড অদুদা ব্লু কলরগী আই শেদো তৈবিয়ু। মদুগী মতুং ইনর কোর্নরদা গোল্ডন স্পার্কলিঙ্গ আই শেদো এপ্লাই তৌবা য়াই। হায়রিবা স্পার্কলিঙ্গ লুক অদুনা অদোমগী ফজরবা মীৎসনা অদুবু অমুক্কা হেন্না তোপ-তোপ্পা দিফরেন্স লুক অমা শোয়দনা পীবা ঙমগনি।

গ্লিটর ব্লু কাজল : করিগুম্বা অদোমনা অদোমগী মীৎসনা অদুবু শিমরী লুক ওইহনবা পাম্লবদি লোয়ননা মদুদা পিকতক তৌবা লিটল টচ ওইনা তৌবা পাম্লগদি অদোম ব্লু কলরদা শিমরী কাজলগী মওংদা কেবা য়াই। মদুগীদমক অদোম্না অহানবদা মীৎতা ন্যুড কলরনা বেস পীবিয়ু। মদুগী মতুং অদোম ব্লেক লাইনর তৈবিয়ু। অরোইবদা অদোম গ্লিটর ব্লু কাজলবু লোৱর লাইন নত্রগা অপর লাইনদা এপ্লাই তৌবা য়াই। মদুসু ব্লু কলরদা আইমেকঅপকা লোয়ননা তৌবনা তোঙানবা ইন্টরেষ্টিং ওইবা লুক অমা শোয়দনা পীবা ঙমগনি।






Title: A Boy playing toys
By: Niranda Yumnam
Class: III Sec: Roll No. 76
School: Regular English High School, Kwakeithel.




Title: Bear with Scenery
By: Shaad Khulakpam
Class: IV Sec: A Roll No. 53
School: Standard Robarth Higher Secondary School.



Title: Boating with Puppy
By: Nancy
Class: IV Sec: A Roll No. 21
School: Standard Robarth Higher Secondary School.




Title: A Girl with Flowers
By: Hijam Gracy Devi
Class: IV Sec: A Roll No. 52
School: Standard Robarth Higher Secondary School.




Title: A Scenery
By: Kharibam Suraj Singh
Class: V Sec: Roll No. 41
School: Standard Robarth Higher Secondary School.



Title: Fairy
By: Salmah
Class: IV Sec: A Roll No. 56
School: Standard Robarth Higher Secondary School.




Title: Scenery
By: Dhanachandra
Class: III Sec: A Roll No. 11
School: Smart Universal Academy



Title: Deer
By: Ch. Manimatum
Class: III Sec: Lolite Roll No. 4
School: Heritage Convent



Title: Scenery
By: Rajkumar Takhellambam
Class: IV Sec: A Roll No. 8
School: Standard Robarth Higher Secondary School.



Title: Solomon Grundy
By: Anelia Thokchom
Class: IV Sec: A Roll No.
School: Standard Robarth Higher Secondary School.



Title: Mother with Daughter
By: Takhellambam Jonibala Devi
Class: IV Sec: A Roll No. 6
School: Standard Robarth Higher Secondary School.



Title: Miki Mouse
By: Syed Zulfiya
Class: IV Sec: A Roll No. 57
School: Standard Robarth Higher Secondary School.